কমলা মিলস মৈ চাকখিবদা প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টরনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

মুম্বাই, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

হৌখিবা অহিং অথেংবদা মুম্বাইগী কমলা মিলস মৈ চাকখিবদা মীওই ১৪ শিখিবগী মতাংদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক ত্বিটরদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা প্রসিদেন্টনা হায়খি, মুম্বাইগী লাইবক থীবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি। থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংলবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফীভম ফগৎলকপা ওইরসনু। ফায়র ফাইটরশিংনা মৈ কন্নবা হোৎনবদা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌখিবগী-দমক্তসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসনু মুম্বাইগী লাইবক থীবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, হৌখিবা অহিং অথেংবদা মুম্বাইগী কমলা মিলস মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ১৪ শিখিবগী পাউ তাবদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা পোকই।

অমরোমদা, মীওই ১৪ শিখিবা মুম্বাইগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা শিব সেনাগী এম পি অর্বিন্দ সাৱন্তনা ঙসি জুদিসল ইনক্বারি চথগদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

রাজ্য সভাগী এম পি জয়া বচচননা হায়খি, অখুবা লৈরক অমদা চঙলগা লৈবা কমলা মিলসতা কয়ারক হন্না চৎলুরে। মিল অদু মৈ চাকপগী পাউ তাবদা অৱাবা পোকই। থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবগে হায়বা চপ চানা থিগৎপা মথৌ তাই।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী এম পি কিরিত সোময়ানদি শিব সেনানা কন্ট্রোল তৌবা ব্রিহন মুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (বি এম সী)গী মায়কৈদা অশোয়বা লৈবদগী লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০ তাবদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ, ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেনকয়া নাইদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী অমসুং মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিসনা অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল থাদোরকখি।

চৈরকসিদা, কিং এদৱার্দ মেদিকেল কোলেজগী ফোরেন্সিক দিপার্টমেন্টকী মকোক ডা. হরিশ পাথকনা হায়খ্রে মদুদি, মুম্বাইগী কমলা মিলস মৈ চাকপদা শিখিবা মীওই ১৪ অদু মৈখুনা মরম ওইরগা নিংশা হোনবা ঙমদবদগী লৈখিদবনি।

পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, লৈখিদ্রবশিংগী হকচাংদা মৈ চাকখিবগী খুদম থেংনদে। মিল মৈ চাকখৎলকপদা কারকপা মৈখুনা মরম ওইরগা নিংশা হোনবা ঙমদবদগী লৈখিদবনি। থৌদোক অদুদা কমলা মিলসকী মথক্তা লৈবা রেষ্টুরেন্ট অমদা মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখিবা নুপী অমসু শিখিরমই।

‘আধার য়াওদবগী ইনফোর্মেসন পীদবা হায়বসি আর টি আই এক্ট শীংনবনি’

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

আধার কার্দ পায়দে হায়বগীদমক মরুওইবা ইনফোর্মেসন পীয়ু য়াদবা হায়বসি রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই) এক্টকী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিসন (সী আই সী)না ফোঙদোকখ্রে। হাউজিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (ঐচ য়ু দি সী ও)গী ওফিসার অমবু আর টি আইগী মায়োক্তা লৈবা থৌওং চথে হায়বগীদমক কম্মিসন্না চৈরাক পীনবা খঙহনখি।

বিশ্বাস ভান্মুরকর কৌবা মীওই অমনা আর টি আইগী খুথাংদা হংলকখিবা ৱাহং অমা আধার কার্দ য়াওদে হায়বগীদমক মতিক চাবা পাউখুম পীখিদবগীদমক কম্মিসন্না কেস অমা লৌখৎখিবনি।

মরকসিদা, চহী য়ামশিল্লক্লবা মীওই কয়া মশাগী বাইওমেট্রিক দেটাগা হান্নগী রেকোর্দকা চান্নদে হায়বগীদমক ফংফম থোকপা পেন্সনগী শেনফম ফংহন্দ্রে হায়না বি জে পিগী মেম্বর অমনা লোক সভাদা পুখৎলকখ্রে।

ঔরঙ্গবাদকী এম পি সুশিল কুমার সিংহনা হায়খি, আধার কার্দনা মরম ওইরগা শিবগী মতম নকশিল্লক্লবা অহলশিংগী ফংফম থোকপা পেন্সন ফংহন্দবা হায়বসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। অহল ওইরবা মহাক্কী অপোকপীসু ফিঙ্গর প্রিন্ট চান্নদে হায়বগীদমক মশাগী মিংদা সিম কার্দ লৌবা য়াহন্দ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মীখলদা অরানবা থৌওং চথবা ঙমহন্দনবগী পান্দমদা ইলেক্সন কম্মিসন্না আধার কার্দ অমদি ভোটর আই দি কার্দ লিঙ্ক তৌহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাংবু ইন্দিয়াগী মীওই অয়াম্বনা শৌগৎলি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

কুমজা ২০১৫গী ফেব্রুৱারীদা ইলেক্সন কম্মিসন্না আধার অমদি ইলেক্টরস ফোটো আইদেন্টিটি কার্দ (ঈ পি আই সী) লিঙ্ক তৌহন্নবা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

নেসনল ইলেক্টোরেল রোলস প্যুরিফিকেসন এন্দ ওথেন্তিকেসন প্রোগ্রাম (এন ঈ আর পি এ পি)গী শরুক অমা ওইনা ইলেক্সন কম্মিসনগী থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি। অদুম ওইনমক কুমজা ২০১৫গী ওগষ্টতা সুপ্রিম কোর্টনা থৌরাং অসি ষ্টে তৌখিবগা লোয়ননা হায়খি মদুদি, আধার কার্দকী য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন নম্বরবু কনাগুম্বা মীওই অমনা পি দি এস স্কিম নত্তনা অতৈ অতোপ্পা মরমদা শীজিন্নরোইদবনি।

লোকল সার্কলনা পাঙথোকখিবা সর্ভে অমগী মতুং ইন্না আধার কার্দ অমদি ভোটর আই দি কার্দকা লিঙ্ক তৌহনবগী থৌওংবু মীওই চাদা ৮৮না শৌগৎলগা মীওই চাদা ১০না য়ানিংদে হায়রি।

দিজিট ১২ য়াওবা য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন নম্বরবু পার্মনেন্ট একাউন্ট নম্বর (পান) অমদি বেঙ্ক একাউন্টতা লিঙ্ক তৌহনবগী মতম মার্চ ৩১ ফাওবা শাংদোকহনবা লৈখ্রবনি। মমাঙদা গভর্ণমেন্টনা দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা আধারগা পান অমদি বেঙ্ক একাউন্টকা লিঙ্ক তৌহনগদবনি হায়না মতম থাখিবনি।

কনাগুম্বা মীওই অমনা লুপা ৫০,০০০গী মথক্তা ফাইনান্সল ট্রাঞ্জেক্সন তৌবা নৎত্রগা অনৌবা বেঙ্ক একাউন্ট হাংদোকপা মতমদসু আধার নম্বর য়াওদবা য়াররোই হায়না লাউথোকখি।

আধার নম্বরগা পান অমদি বেঙ্ক একাউন্টকা লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতমদা মার্চ ৩১ ফাওবা শাংদোক্লে। মসিগী মতুং তারকপদা অমুক হন্না মতম শাংদোকপগী ৱাফম লৈররোই হায়না ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওফ রেভিন্যুনা থাদোরকখিবা নোটিফিকেসন অমনা ফোঙদোকখি।

বেঙ্ক একাউন্ট, পান অমদি সিম কার্দকা আধারগা লিঙ্ক তৌবগী থবক শোয়দনা চথগদবনি হায়না য়ু আই দি এ আইনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

আধার অমদি তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং লিঙ্ক তৌহনবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা জন্যুৱারী ১৭তা মথংগী হিয়ারিং চথনবা মতম লেপখি। মমাঙদা আধারগা লিঙ্ক তৌবগী অরোইবা মতম দিসেম্বর ৩১ ওইহল্লম্লদগী মার্চ ৩১ ফাওবা শাংদোকহনখ্রবা মতুংদা এপেক্স কোর্টনা অরোইবা ৱায়েল অমা পীরগনি।

মথং চয়োলদা ট্রিপল টলাক্কী বিল রাজ্য সভাদা পুখৎলগনি

Talaq...
"OF ALL THINGS PERMITTED, DIVORCE IS THE

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা ট্রিপল টলাক্কী বিল মথং চয়োলদা রাজ্য সভাগী মীফমদা পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউসনা মেম্বর মশীং হেন্না লৈরিবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা বিলগী শরুক খরা শেমদোক-শেমজিন তৌনবা ৱাফম পুখৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি।

লোক সভাদা ওপোজিসনগী ৱাফম থৌশাদনা দি মুস্লিম ৱিমন (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস ওন মেরিয়েজ) বিল, ২০১৭ ভোইস ভোটতা পাস তৌখিবা তারবসু রাজ্য সভাদদি তরাই তরাইনা পাস তৌবা ঙমগনি হায়বা থাজনদ্রি।

অমরোমদা, ওল ইন্দিয়া মুস্লিম পার্সনেল লো বোর্দ (এ আই এম পি এল বি)না হায়খ্রে মদুদি, লোক সভানা পাস তৌখ্রবা বিল অদু দেমোক্রেটিক ওইবা পান্থে শীজিন্নদুনা এমেন্দ তৌনবা থৌরাং লৌখৎকনি।

লাইনিং লন্থীগা মরী লৈনবা ৱাফমদা খুৎ থিংজিল্লকপা মরম্না বিল অদু য়াবা ঙল্লোই হায়নসু এ আই এম পি এল বিগী স্পোক্সপার্সন মৌলানা খালিল-উর-রহমন সজাদ নোমানিনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াদা মুস্লিম নুপীশিংগী অচৌবা মায় পাকপা থৌওং অমা ওইনা লোক সভাদা ট্রিপল টলাকপু মপুং ফানা থিংনবগী বিল অমা ভোইস ভোটতা পাস তৌবা লৈখ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হাউসতা পুথোরকখিবা বিল অদু তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক ভোইস ভোটতা বিল অদু লোক সভানা পাস তৌখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মুস্লিম নুপীশিংনা অথুম-অহাও য়েন্থোক্নুনা হরাওবা ফোঙদোক্লুখি।

ওপোজিসন্না বিল অদু হাউসকী টেবলদা পুথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি অমদা শিন্নগদবনি হায়না তকশিল্লকখি। রেভল্যুসনরি সোসলিষ্ট পার্টি (আর এস পি)গী মেম্বর এন কে প্রেমচন্দ্রননা বিলগী কোপিশিং লৈবাক মীয়ামদা য়েন্থোক্লগা অপাম-পামদা খঙদোকপা মথৌ তাই হায়না পুখৎলকখিবা ৱাফম অমা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা ভোইস ভোটতা দি মুস্লিম ৱিমন (প্রোটেক্স ওফ রাইটস ওন মেরিয়েজ) বিল, ২০১৭ পাস তৌখিবনি।

গভর্ণমেন্টনা বিল অদু ঙসিমক পাস তৌহৌদবা য়াদে হায়বগী মওংদা অয়ুক্কী মীফম হেক হৌবগা হাউসতা পুথোকখি অমসুং নুংথিলগী মীফমদা খন্নদুনা ভোট লৌনখি। ভোট লৌনরমদাইদা এ আই এম আই এমগী এম পি অসাদউদ্দিন ওৱাইসি অমসুং বি জে দিগী ভারত্রুহরি মেহতাবনা ৱাফম খরা শেমদোক শেমজিন তৌনবা হৌদোরকখি। অদুম ওইনমক গভর্ণমেন্টনা পুখৎলকখিবা বিল অদু করিগুম্বা অমত্তা শেমদোক্তনা ভোইস ভোটতা পাস তৌখি।

মমাঙদা বিল অসিবু য়ুনিয়ন কেবীনেটনা অয়াবা পীখ্রবা বিল অসি শগোলশেন নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎনবা থৌরাং তৌখিবনি। নুপানা অহুল্লক টলাক হায়রগা খুদক্তা মশামক্কী লোয়নবী খাইনবা য়াহনবগী থৌওং অসি কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈ হায়না ওগষ্ট থাদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, লোক সভানা ঙসি ইন্সোলভেন্সি এন্দ বেংক্রপ্সি কোদ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৭ পাস তৌখ্রে।

অফঘান টেরর এটেক কন্দেম তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টানগী শিয়াইট কলচরেল সেন্টর অমদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুদুনা মীওই ৪১ শিহনখিবগী থৌওংবু ইন্দিয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, কাবুলনা টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজং খুদিংমক্তা মপুং ফানা শৌগৎকনি। অৱাবা তারবা মতম অসিদা অফঘানিষ্টানগীদমক ইন্দিয়ানা লেপ্পি। টেররিজমগী চৈথেং ফংলবা লৈবাক অসিদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি।

পনবা য়াবদি, কাবুলদা লৈবা শিয়াইট কলচরেল সেন্টর অমদা স্যুসাইদ বোমর অমনা চথরকখিবা এটেক্তা মীওই ৪১ শিখিবনি।

সোভিয়েট য়ুনিয়ন্না অফঘানিষ্টান্দা লান্দারকখিবগী কুমওন থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক্তা স্যুসাইদ বোমর অমনা মশাদা লোয়নরকপা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক অদু চথরকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস)না ক্লেম তৌরকখ্রে। টালিবান সোসল এন্দ কলচরেল সেন্টরদা মীওই ১০০ রোম তিল্লিঙৈদা এটেক চথুদুনা মীওই ৪১ হাৎখিবগী থৌওং অদু আই এস আই এসননি হায়না ফোঙদোকখি।

কুলভুষণ যাদব ইরানদগী কিদনেপ তৌখিবনি, পাকিষ্টাননা ফাখিবা লৈতে : বেলোচ লূচিংবা

ক্বেটা, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

বেলোচ লূচিংবা ঐচ মারিনা হায়খ্রে মদুদি, কুমভুষণ যাদবপু পাকিষ্টানগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা বেলোচিষ্টানদগী ফাখিবা লৈতে। পাকিষ্টান্না থাদোকপা মীওই খরনা ইরানদগী ফারগা ইস্লামবাদতা খুৎশিন্নখিবনি।

কুমজা ১৯৭০ অমসুং কুমজা ১৯৮০গী পরিংদা পাকিষ্টান্না শৌগৎপা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা মরাল লৈজদবা বেলোচ রেফ্যুজি কয়া হাৎলগা পাকিষ্টানি আর্মি অমসুং ইন্টর সার্বিসেস ইন্টেলিজেন্স (আই এস আই)দগী শেল লৌখি হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

সিক্যুরিটি প্রোসিজরগী মিংদা যাদবগী অপোকপী অমসুং লোয়নবীদা পাকিষ্টান্না চথখিবা থৌওং অদুগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, পাকিষ্টান্না বেলোচ নুপীশিংগী মফমদা করি করম্বা থৌওং চথবগে হায়বদু মালেমগী মীয়াম্না নুমিৎতুগী থৌদোক অদুদগী ময়েক শেংনা খঙবা য়ারে।

পনবা য়াবদি, মঙ্গলসুত্রা, খুজি, খোঙউপ অমদি বিন্দি লৌথোক-হনখিবগা লোয়ননা মফি-মরোল হোংদোকহন্দুনা কুলভুষণ যাদবকী মমা অমদি লোয়নবীদা পাকিষ্টানি ওথোরিটিনা ঈকায় পীখিবগী থৌওংবু কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

পাকিষ্টানি ওথোরিটিশিংনা চথরকখিবা থৌওং অদু য়ানিংদে। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পাকিষ্টানগী মায়োক্তা লৌখৎকদবা থৌরাং মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি। নুপীবু অৱাংবা থাক্তা ঈকায় খুন্নরিবা ইন্দিয়াগী নুপী অনীদা পাকিষ্টান্না চথখিবা থৌওং অদু তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়না কোংগ্রেসকী স্পোক্সপার্সন গৌরব গোগোইনা ফোঙদোকখি।

কুলভুষণ যাদবকী মতাংদা গোগোইনা হায়খি, শেমজিন-শাজিনবা মরাল কয়া পীশিন্দুনা শিবগী মতম ঙাইহল্লগা জেলদা থল্লিবা যাদবপু খুদক্তা থাদোরক্কদবনি। লান শোক্ল রিঙৈদা ফাখিবা নৎত্রবসু যাদবপু মিলিটরি কোর্ট অমদা ৱায়েল চথখিবগী থৌওং অদু মালেমগী মীয়ামদা য়াফম থোক্তে। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ময়েক শেংবা ফিরেপ অমা লৌফম থোকই।

পাকিষ্টানগী জেলদা লৈরিবা কম্মান্দর কুলভুষর যাদবপু শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল লাউথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা তমথিনা ওৎ-নৈখিবগী খুদম ফংবা লৈখ্রবনি।

পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্টর খ্বাজা অসিফনদি কুলভুষণ যাদবকী অপোকপী অমসুং লোয়নবীদা কা হেন্না চথখি হায়বা ৱাফম অদু অরানবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মীওইবগী মীনুংশিদা য়ুম্ফম ওইরগা যাদবপু মিনিট ৪০ রোম অপোকপী অমদি লোয়নবগী ৱারী শানহনখিবনি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 1059/SDC/IW(P) of 2017

Rajkumari Radhamani Devi D/o (L) Sagolsem Tolpishak Singh of Heinoupok.

-Petitioner

-Vrs-

Late Pukhrambam Ningol Tombi Devi D/o (L) Tomal Singh of Langjing

-O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

29/12/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ১০৪-লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নম্বর ১৫৭ (অনৌবা), দাগ নম্বর ২৮৭কী পোইন্ট ০.৩৪০০০ একর চাওবা ইঙ্খোল লম অসিগী পাট্টাদারিনি অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৬/০১/২০১৮ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/303/30

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 1062/SDC/IW(P) of 2017

1. Sougrakpam Ibemnungshi Devi W/o (L) Indrajit Singh of Langjing Achouba.
2. Sangrakpam Usha Devi W/o (L) Meghachandra Singh of –do–.

... Petitioners

-Vrs-

1. Late Sougrakpam Indrajit Singh S/o (L) Lala Singh of Langjing Achouba.
2. –Do– Meghachandra Singh S/o (L) –do– of –do–.

... Deceased Pattadars

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

29/12/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুৎথাংদা খঙহঞ্জরি। ই:ও: পাৎশোই তাহসিলগী খুন নং ১০৪/লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নং ১৮ (অনৌবা), দাগ নং ২২০ অমসুং ২২১ গী এরিয়া ০.৭০০০০ + ২.১৬০০০ = ২.৮৬০০০ একর, ইঙ্খোলগী মনুংদা য়াওবা কো-পাট্টাদার নং (১) অমসুং (২) অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (১) দা দাগ নং ২২০ গী এরিয়া ০.৭০০০০ একর অমসুং দাগ নং ২২১ গী মনিং থংবদা ১.৩৪ একর অদুগা দংকারিনি নং (২) দনা দাগ নং ২২১ গী মমাংথংবদা ০.৮২ একর অসি দখলগী মতুংইন্না অমদি স্বর্ত্তগী লমবীদা মখোয়গী মমীংদা নমা পানজরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট্টা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারশিংগা মরী লৈনবা মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ৬/০১/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/303/30

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 1061/SDC/IW(P) of 2017

1. Loitongbam Ahanbi Devi W/o (L) Tomba Singh of Langjing Achouba.
2. L. Chekchandra Singh S/o (L) Tomba Singh of –do–.

... Petitioners

-Vrs-

Late Loitongbam Gunachandra Singh S/o (L) Tomba Singh of Langjing Achouba.

... Deceased Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

29/12/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুৎথাংদা খঙহঞ্জরি। ই:ও: পাৎশোই তাহসিলগী খুন নং ১০৪-লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নং ৯১ (অরিবা), ৪/৭৭৩ (অনৌবা), দাগ নং ১২৩/১০১৫ কী এরিয়া ০.২৩০০০ একর, ইঙ্খোল অসিদা য়াওরিবা কো-পাট্টাদার নং (২) অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (১) অমসুং (২) অসিনা মখোয়গী মমীংদা নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট্টা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ৬/০১/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/303/30

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR

Ref:- Mut. Case No. 186/AS & SO /III 2017

1. Lantanpuii	D/o (L) V.L Rota of New Checkon	
2. Lalchhanhimi	D/o	–do–.
3. Alfred Hmingthanga	S/o	–do–.

-Vrs-

(L) Master Robert Junumanga S/o (L) V.L. Rota of New Checkon.

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Dt. 29th Dec., 2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি Village No. 26 (A) Nongpok Ingkhol গী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ১৪৫৭ হাল দাগ নং ৫৬৪৭, ৫৬৪৯/৫৭৫৪ এরিয়া ০.০৩৮ একর চাওবা ইঙ্খোলগীদা কো-পাট্টাদার নং ৪ Master Robert Junumanga মৃ: ওইরে। মৃ: পাট্টাদার য়ুম পানদে, মৃ: পাট্টাদারগী মহুত্তা কো-পাট্টাদার নং ১, ২ অমসুং ৩ অসি মচিন-মনাওনি। মরম অদুনা মৃ:গী মমীং কল্লগা কো-পাট্টাদার নং ১, ২ অমসুং ৩ দা নমা পানবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরী লৈনবা মীওইশিংনা কেস অসিগী মরিদা আপটি তৌনিংবা লৈরগদি নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা মথক্কী কোর্ট অসিদা আপটি তৌরবা য়াগনি। আপটি লাক্ত্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Assistant Survey & Settlement Officer (IE-III), Manipur**

HL-P/4873/30

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 1054/SDC/IW(P) of 2017

1. Sanasam Chonjon Devi, 2. Sanasam Biko Devi, 3. Sanasam Bheigyapati Devi, 4. Sanasam Priyopati Devi, 5. Sanasam Bembem Devi, 6. Sanasam Prameshori Devi, 7. Sanasam Thajamanbi Devi D/o (L) the same Sanasam Gulap Singh of Patsoi Part - 4.

... Petitioners

-Vrs-

Late Sanasam Gulap Singh S/o (L) Angou Singh of Patsoi Part - 4.

... Deceased Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

28/12/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুৎথাংদা খঙহঞ্জরি। ই:ও: পাৎশোই তাহসিলগী খুন নং ৮০-পাৎসোইগী (১) পাট্টা নং ৬৮১ (অনৌবা), দাগ নং ১৮০/৩৫৮ গী এরিয়া ০.৩০ একর, অঙনফৌ, (২) ৬৫১ (অনৌবা), দাগ নং ১৮০/৩৩৫ গী এরিয়া ০.৩০ একর, অঙনফৌ, (৩) ৮০/৬২৬, ১২১ (অরিবা), ৪৭৩ (অনৌবা) দাগ নং ১৭০/৪০৪, ১৭৩, ১৭৯ গী এরিয়া ০.৪০ একর, ইঙ্খোল + ০.৫৪১ একর, ইঙ্খোল + ১.০৭৫ একর অঙনফৌ = ২.০১৬ একর অমসুং (৪) ৬৫০ (অনৌবা) দাগ নং ১৮০/৩৩৪, ০.৩০ একর, অঙনফৌ হায়রিবা লমশিং অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিনা দখলগী অমদি স্বর্ত্তগী মতুংইন্না দাগ খুদিংমক অসিদা ১২ (তরানিথোই) থোকপগী শরুকশিং অসি দংকারিনি নং (১) দগী (৭) শিংগী মমীংদা নমা পানজরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট্টা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারশিংগী মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ৬/০১/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/303/30

THE IMPHAL URBAN CO-OPERATIVE BANK LTD.
ADMINISTRATIVE OFFICE, M.G. AVENUE, IMPHAL

NOTICE

Imphal, the 28th December, 2017

No.IUCB/ACT-94/2017-2018 : Notice is hereby circulated for general information to all Customers of the Bank particulary ATM Card holders that the existing Magnetic Strip ATM Cards will be replaced by EMV compliance ATM Cards very shortly. However, the process for changing to the new system will take 30 days approximately. Therefore, the existing Magnetic Strip ATM Cards will be out of service w.e.f. 30-12-2017. Hence, all ATM cards holders (Customers) of the Bank are requested to bear with the Bank for some time till completion of the system changing to EMV ATM Cards.

Sd/- **L. Binomala Devi**
Asst. General Manager

HL-B/4315/29&30

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

Ref:- Mut. Case No. 563 and 564/SDC/Bishnupur, 2017

Laishram Sobhashini Devi W/o (Late) Maisnam Nilamani Singh of Kwashiphai.

-Petitioner

-Vrs-

Maisnam Nilamani Singh S/o Rajmuhon Singh of Kwashiphai.

-O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Bishnupur, the 29th Dec. 2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Maisnam Nilamani Singh S/o Rajmuhon Singh of Kwashiphai দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 39/55 অমসুং 349 (অরিবা)। 487 অমসুং 281 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 417 অমসুং 353 গী 2.41 অমসুং 0.70 চাওবা ফৌরেল লৌফমশিং অসিগী পট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Bishnupur

HL-P/4874/30

IN THE FAMILY COURT, BISHNUPUR, MANIPUR
EXECUTION CASE NO. 11 OF 2017

Ref : Original Mat (Divorce) Suit No. 62 of 2016

Smt. Laishram Ongbi Sarju Devi

... Plaintiff/Decree Holder

–Versus–

Shri Laishram Basant Singh

... Defendant/Judgment Debtor

To,

Shri Laishram Basant Singh, aged about 30 years, S/o L. Beikul Singh of Thoubal Khunou, P.O. & P.S. Thoubal, Thoubal District, Manipur.

Whereas, the above named Plaintiff/Decree Holder has filed for execution of decree dated 22/02/2017 passed in Mat. (Divorce) Suit No. 62 of 2016 of this Court and whereas you avoided to serve the summon and it appears to the satisfaction of the Court that summon cannot be served in the ordinary way, you are hereby summoned to appear before the Court in person on by a pleader duly instructed and able to answer all the claims on 19th day of January, 2018 at 10:30 a.m. to answer the claim.

Take notice that in case of your default of your appearance on the above mentioned date and time the case will be heard and determined in your absence according to law.

Signed and Sealed by the order of this Court on the 16th day of December, 2017.

SEAL :

Sd/- Sheristadar,
Family Court, Bishnupur,
Manipur

By:- A. Neelakumar
Advocate

HL-P/4870/29&30